## মপুং ফানা শৌগৎখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস):
ঙসি জিরিবাম দিষ্ট্রিক্টতা ওল মণিপুর ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (এমসু), মণিপুর ষ্টুদেন্টস ফেদরেসন (এম এস এফ), দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্টস এলাইন্স ওফ মণিপুর (দেসাম), কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিএসন (কে এস এ)গী মহৈরোয়শিংগী লুপশিং, মৈরা পায়বী লুপশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিংসু শরুক য়াদুনা বন্দ শৌগৎখ্রে। ঙসিগী বন্দ অসিদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিকী ৱাথোক অথুবা মতমদা লোইশিনগদবনি, দাওন্দ-দাওন্দ এ পি পান্দে অমদি করপটেদ ভি সী এ পি পান্দে লৌথোক্কদবনি হায়বা খোল্লাও কয়াসু লাউখি।

বন্দ অসিগী মতাংদা ৱাই সঞ্জিব, প্রসিদেন্ট এমসুনা ফোঙদোরকখিবদা জিরিবামদা লৈরিবা মহৈরোয় লুপ, মৈরা পায়বী লুপশিং অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং পুনশিন্দুনা হৌখিবা জুলাই ১৭ গী অহিংনোংয়াইদগী হৌদুনা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু)না কৌরিবা বন্দ অসিদা শৌগত্তুনা শরুক য়ারি। এম য়ুদা এ পি পান্দেনা অসিগুম্বা মথোং চাদবা থৌওং চত্থরিবা অসিবু হকচিন্না কন্দেম তৌই অমদি করপটেদ এ পি পান্দে অসি লৌখৎকদবনি লোয়ননা মণিপুর গভর্নমেন্ট অমদি সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা অসুক কুইনা এম য়ু ক্লাস তৌদনা লৈরকপা অসিদা নমশিন্দুনা, তুমিন্না লৈরিবা অসিসু তৌবিগনু হায়খি। মহাক্লা মখা তারদুনা ফোঙদোকখিবদা মুসুনা মখা তানা হৌরকপা ইহৌদা জিরিবাম দিষ্ট্রিক্ট অসিদা লৈরিবা মহৈরোয় অমদি সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন ময়াম্না ঙসি অমত্তা ওইনা শরুক য়ারিবা অসুম্না মখা তানসু শরুক য়াখিগনি হায়না ফোঙদোকখি।

## অনৌবা বোর্দ দিরেক্টরশিং খনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস):
লাইওনিষ্টিক চহী ২০১৮-১৯ গী ওইবা গ্রেটর ইম্ফালগী লাইওন্স ক্লবকী বোর্দ দিরেক্টরশিংগী ইন্সতোলেসন থৌরম জুলাই ১৬ তা হোটেল নির্মালাদা পাঙথোখ্রে।

দিষ্ট্রিক্ট ৩২২ দিগী অনৌবা দিষ্ট্রিক্ট গভর্নর লাইওন এম গোজেন্দ্রোনা থৌরম অদুগী ইন্সতোলেসন ওফিসর ওইনা ক্লব অদুগী অনৌবা বোর্দ দাইরেক্টরশিংবু ৱাশক লৌহনখি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুগী মতুংদা মফম থাদোক্লগদবা প্রসিদেন্ট লাইওন এম শ্যামবাবুনা ইন্সতোলেসন ওফিসর লাইওন এম গোজেন্দ্রোগী মমাঙদা অনৌবা প্রসিদেন্ট লাইওন নাওরেম উমাকান্তদা চার্জ শিন্নখি। অনৌবা বোর্দ দিরেক্টরশিং অদুদা য়াওরিবশিংদি প্রসিদেন্ট ওইনা লাইওন নাওরেম উমাকান্তা, সেক্রেটরি ওইনা লাইওন ইরোম উমাকান্তা অমসুং ত্রেজরর ওইনা লাইওন খুরাইজম কৃষ্ণন অমদি অতৈ ওফিসরশিংনি।

অনৌবা প্রসিদেন্ট লাইওন নাওরেম উমাকান্তনা লাইওন মেম্বর খুদিংমকপু মঙোন্দা থাজবা থম্বগীদমক্তা থাগৎপা ফোঙদোকখি অমসুং খুদিংমক্তা ক্লব অদুনা তুংদা পাইখৎলক্কদবা মীওইববু য়াইফনবগী থবকশিংদা শরুক য়াবীনবা হায়জখি। জুলাই ২১ অমসুং ২২ দা ক্লাসিক গান্দেদা পাঙথোক্কদৌরিবা দিষ্ট্রিক্ট ইন্সতোলেসনগী থৌরমদা মেম্বর খুদিংমক্কা মতেং পাঙনবসু মহাক্লা অপিল তৌখি। লাইওন অশোক কোঞ্জেংবমনা লাইওনিষ্টিক চহী ২০১৭-১৮ গী চহীগী রিপোর্ট অমসু পুথোকখি।

## ‘পুলিসকী কা হেনবা থৌওং য়ানিংদে’

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ : মণিপুর পুলিসনা মহৈরোয় লুপ দেসামগা মুক্লবগী থৌদোক্তা দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল ওইনাম সিতলবু তমথিনা অশোক অপন নংহনখিবগী থৌওংবু ওল তোকপচীং মৈরা পায়বী এসোসিএসন্না নুংঙাইতবা ফোঙদোরক্লি। ওল তোকপচীং মৈরা পায়বী এসোসিএসনগী সেক্রেটরি সলাম দুকান চাওবীনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীনুংশি খঙদবা মণিপুর পুলিসনা চত্থখিবা তমথিবা শাজৎ অদু য়ানিংদে। ওইনাম সিতলবু অশোক অপন নংহনখিবা অদু খুদোংথিবা থোক্তবা ওইসনু অমদি হকচাংগী ফিভম য়াম্না থুনা ফগাৎপা ওইরসনু হায়না তাইবং শেম্বা মপুগী মফমদা থৌনিজরি হায়রি।

## এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম য়ৈথোক্লে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস) :
তরামাথোইশুবা থোকচোম নবকুমার মেমোরিএল এৱার্দ ২০১৮ য়েন্থোকপগী থৌরম থা অসিগী ২১ দা পাঙথোক্কনি হায়না তৌরম্বা অদু লৈবাক্কী ওইরক্লিবা ফিভম অসিনা থা অসিগী ২৮ দা হান্নগী মফম অমদি মতম অদুমক্তদা পাঙথোক্লগনি হায়রি।

লৈবাক্কী অরুবা ফিভম অসিনা মরম ওইদুনা এৱার্দ য়েন্থোকপগী থৌরম য়ৈথোকখিবা অসিদা মরী লৈনবশিং অমদি মীয়াম্না ৱারৌবীদনবা হায়জরি হায়না নবকুমার মেমোরিএল ত্রষ্ট সগোলমাং, ইম্ফাল ইষ্টকী সেক্রেটরি বি কে নন্দেবমনা থোকপা চেরোল অদুনা মখা তারি।

# য়ু শুংলগা মপান্দা থাদোক্লবা বিল পুথোক্কদৌরিবসি ঈহৌ লাক্লবা বি জে পিনা ইনভাইট তৌবনি : সী পি আই



ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস):
কুমজা ১৯৯১ দা লিক্করগী এক্ট অমা পাস তৌদুনা দ্রাই ষ্টেট ওইবগী ৱাফম লৈখ্রবা মতুংদা ষ্টেট অসিদা য়ু শুংলগা মপান্দা থাদোক্লবা বিল অমা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা নোংজু মীফম অসিদা পুথোক্কদৌরিবা অসি লৈবাক অসিদা অনৌবা ঈহৌ অমা লাক্লবা বি জে পিনা ইনভাইট তৌবনি হায়না কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ ইন্দিয়া (সী পি আই)না ফোঙদোকখ্রে।

ইম্ফালগী ইরাবৎ ভাৱনদা ঙসি নুংথিল পাউমীশিংগা উনবা অমদা সী পি আই মণিপুর ষ্টেট কাওন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরি এল সোটিনকুমারনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী মফম লৌথোক্কদবনি হায়বা খোঙজং চঙশিন্দুনা মুসুনা চত্থরিবা পুং ৪৮ গী মণিপুর বন্দ অসি মীয়াম্না শৌগত্তুনা মপুং ফবা অমা ওইহল্লি। মসিনা এম য়ুগী ভি সী মফম লৌথোক্কদবনি হায়বসি মীয়ামগী অপাম্বনি হায়বসি ময়েক শেংনা তাক্লে।

মহাক্লা হায়, ষ্টেট অসিদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্টকী সিটিজনশিপ এমেন্মেন্ট বিলগী, বাওন্দরিগী, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ইশু ময়াম অমা লৈরিবা অসিদা ষ্টেট এসেমব্লি মীফম নুমিৎ নিনিখক ফম্বা হায়বসি তেনমল্লি। লোয়ননা এসেমব্লি সেসন অসিদা ১৯৯১ দগী থিংখ্রবা লিক্করগী মতাংদা বিল অমা পুথোক্কনি হায়বসি য়ানিংদে।

এম য়ুগী ভি সী অসি লৌথোক্ত্রিমখে দিমান্দ হল্লোই হায়না মুসু, মুটা, মুশানা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসিদা লৈঙাক্লা সেন্টরদা তকশিনবগী মহুত্তা ফেক ফাইন্দিং কম্মিটি শেম্বা হায়বসি য়ানিংদে। ফেক ফাইন্দিং কম্মিটি অসি মনিং তম্বা কম্মিটি অমসু নত্তে জুদিসএল ওইবসু নত্তে অদুনা মুসু, মুটা অমদি মুসানা য়াদবদা নত্তনা পার্টি অসিনসু য়ারোই। ভী সি খুদক্তগী মফম লৌথোকপা হায়বা ৱাফম অসি ষ্টেট লৈঙাক্লা সেন্টরদা তক্লগদবনি।

মহাক্লা হায়, ষ্টেট অসিগী চীফ মিনিষ্টরনা থাগৎনিঙাই ওইবা ৱাফম কয়া অমা থমখ্রে। অদুবু মুসু, মুটা অমদি মুসানা তাল্লিবা ভি সী লৌথোক্কদবনি হায়বা দিমান্দ অসিগী মতাংদদি ময়েক শেংনা হায়বা লৈত্রি। মরম অদুনা ফেক ফাইন্দিং কম্মিটিনা য়ারোই। ভি সী লৌথোক্লবা তুংদা জুদিসল ইক্কাইরি তৌদুনা মরালগী মতুং ইন্না চৈরাক পীগদবনি হায়বসি মণিপুরগী সী এমসু হায়ফম থোকই। লোয়ননা হৌজিকফাওবদা পাল্লিবা লৈঙাক অসিগী ওইনা বি জে পিগী মীওই ৩৫ না শাবা টীম অমা চৎখ্রে। ষ্টেট অসিদগী চৎখ্রিবশিংসু বি জে পিনি। সেন্টরদা পাল্লিবা লৈঙাকসু বি জে পিনি। মখোয় মশেল মনুংদা চিরোল তৌদুনা ভি সী অসি খরা শাংথনা লৈহন্নবা খন্নরিব্রা হায়বসু খঙদে।

অসিগুম্বা ৱাখল অসি লৈহল্লোই হায়বা তারগদি মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টি খুদিংমক্তা ইশুশিং অসিগী মতাংদা নৈনফম থোকই। মসিদা বি জে পি মতোমতনা ইশুশিং অসি সোল্ভ তৌগনি হায়বসি ওইথোক্তে। লোয়ননা হয়েংদগী হৌগদৌরিবা এসেমব্লি সেসন অসিদা পুথোক্কদৌরিবা আই এল পিগী বিল অনৌবা ইহৌ অমা লাক্লবা বি জে পিনা ইনভাইট তৌবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

পাউমীশিংগা উনবা অদুদা শরুক য়াখিবা সী পি আইগী নেসনল ইগজিক্যুটিব মেম্বর দা. এম নরানা ফোঙদোকখিবদা ইশু অমা নৈনবদা কলেক্টিভ ৱিসদম অমা পুথোক্তুনা নৈনগদবা তাঞ্জা অসিদা নোংজু মীফম অসি তেনশিনবা য়ানিংদে।

ষ্টেট খুদিংমক্তা য়ামদ্রবদা নুমিৎ ৫৫ নি ৱার্কিং দে ওইহল্লু হায়বসি ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টকী দিরেক্সন মখাদা লৈরিবনি। মণিপুরদদি চহী অমদা থা অমগী চাংফাও ফমদে। ষ্টেট অসিদা বি জে পিনা পাইরকপদগী পার্লিয়ামেন্ট ফমদ্রসু য়ারে হায়বগী মওং অমা উরি। নুমিৎ নিনিখক্কী সেসন য়াবা ঙল্লোই। সেসন শাংদোক্তুনা লৈরিবা ইশুশিং অসিগী মতাংদা খন্নগদবনি হায়নসু মহাক্লা মখা তানা ফোঙদোকখি।

## কে কে এলনা লৈঙাক্তা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস):
কংলৈপাক কনবা লূপ (কে কে এল) না ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমসুং সিটিজন্সিপ এম্মেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা লৈঙাক্তা ৱাফম খরা হংলক্লি হায়না ফোঙদোরক্লি।

কংলৈপাক কনবা লূপকী সেক্রেটরি ঙমখৈঙাকপা লুৱাংনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, কুমজা ২০০১ দা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রিঙৈদা এন এস সী এন (আই-এম)গী সিজফায়র অসি ৱিদাউট টেরিটোরিএল লিমিট হায়না লাউথোকখিবদা মণিপুরদা জুন ১৮ গী অচৌবা ঈহৌ অমা লাক্তুনা মীওই ১৮ গী পুন্সি লোমখি। অসিগুম্বা চাউরবা ঈহৌ অমা মণিপুর মীপুম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা শোক্তুনা লৈরিঙৈদা ফ্রেমৱার্ক এগ্রিমেন্ট অমা অমুক কুমজা ২০১৫ কী ওগষ্ট ৩ দা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়াগী ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবি অমদি এন এস সী এন (আই-এম)গী থুইঙালেং মুইভা অনীনা সাইন তৌনখিবা এগ্রিমেন্ট অমুক লৈখ্রে। করিগুম্বা হায়রিবা এগ্রিমেন্ট অসিনা মণিপুর মীয়ামগী সেন্টিমেন্ট শোকপা তারগদি জুন ১৮ গী ঈহৌদগী হেনবা অচৌবা ঈহৌ অমা শোয়দনা লাক্কনি। মরম অসিনা মণিপুর এসেমব্লীগী নোংজু মীফমদা পোলিটিকেল পার্টিগী খেন্নবা লৈতনা অমত্তা ওইনা মীফম অমা কৌদুনা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বদু মাংদা থমদুনা চপ চাবা ফিরেপ অমা লৌবীয়ু।

অমরোমদা, কুমজা ২০১৬ কী জুলাই ১৯ দা গভর্ণমেন্ট ওফ ইন্দিয়ানা ইনৌ নৌনা লাউথোরকখিবা সিটিজন্সিপ এম্মেন্দমেন্ট বিলনা হায়রিবদি অফঘানিষ্টান, পাকিষ্টান অমদি বাংলাদেশদগী লাকপা মাইনোরিটি ওইরবা হিন্দু, পার্সি, জেন, বুধিষ্ট, সিখ অমদি খৃষ্টিয়ানশিং অসি ইন্দিয়াগী মফম অমদা হেক্তা লৈবদা করিগুম্বা অথিংবা অমত্তা লৈরোই হায়বনি। হায়রিবা বিল অসিনা চৎনবা তারগদি নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিংদদি অসুক্কী মতিক অকায়বা ওইগনি। মসিগীসু মথক্তা অপীকপা মণিপুরগুম্বা কাঙলুপ শুনা লৈবা ষ্টেটতদি য়েলহৌমীদি মুৎখিবা য়ানা লৈ হায়রি।

নোর্থ ইষ্টকী চাউখ্রবা ষ্টেট অসামনা বিল অসিগী মায়োক্তা মখোয়গী য়েলহৌমী মুৎখ্রগনি হায়না খোল্লাও লাউরগা করিগী মণিপুর লৈঙাক্লা তুমীন্না লৈশিল্লিবনো হায়না হংলক্লি। লাক্লিবা নোংজু মীফম অসিদা মণিপুর মীয়ামগী অপাম্বা য়েংবীদুনা ওল পোলিটিকেল পার্টিনা ফাইনেল ওইবা সোল্যুসন অমা পুথোকপীয়ু হায়না কংলৈপাক কনবা লূপনা আপিল তৌরক্লি।

## দেসামগী সেক্রেটরি শোকহনখিববু মীলালনা য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস) :
মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী এ পি পান্দে ফম লৌথোকউ হায়না মুসুনা চঙশিল্লিবা খোঙজংগী শরুক ওইনা থা অসিগী ১৭ তা দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেলবু অতম্নমা অচেনবা গাড়ীদা ইনশিন্দুনা তমথিনা শোকহনখিবা অমদি য়াল্লবা মহৈরোয় কয়াবু তমথিনা ফু চৈখিবগী থৌওং মৈতৈ ঈরোল ঈয়েক লোয়নশিনলোন অপুনবা লুপ (মীলাল) না য়ানিংদবা ফোঙদোরক্লি।

মীলালগী পব্লিসিটি সেক্রেটরি এম ইন্দ্রজিৎনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, মীনুংশি লৈতবা, মমা-মপা, মচিন-মনাও, মচে-মচন পুন্সবু মীনুংশি য়াওদনা হিংবগা পাঙ্খক ওইরে হায়না লৈবাক মীয়াম্না লৌগনি।

অসিগুম্বা তমথিরবা থৌওং অসি মতুং তারকপদা অমুক হন্না থোক্তনবা মণিপুর লৈঙাক্তা আপিল তৌরক্লি। খুন্নাই অসিগী তুংগী য়ুম্বী ওইরক্কদবা মহৈরোয়শিংনা মহৈ তম্বা ফঙহনদ্রে হায়দুনা মহৈ তম্বা ফঙহনবিয়ু হায়বা পান্দমদা চঙশিল্লক্লিবা খোঙজং অসি লৈঙাক্লা অথুবদা ৱারোইশিন পুরক্তুনা মহৈরোয়শিংগী পুন্সি কল্লু। শোক্লবা মহৈরোয়শিং অসি মণিপুর লৈঙাক্লা য়েংশিনবীদুনা মখোয়বু তেক্ত-কায়দনা হান্নগী মওংদা লৈবা ঙম্বা ওইরসনু হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## জেদ য়ু এফকী কাদর অহুম ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস):
ঙসি অয়ুক জিরিবামগী রাঙাইজাং এরিয়াদা ৩৭শুবা অসাম রাইফলসনা থি হুম্বা চত্থবদা জেদ য়ু এফকী কাদর অহুম খুৎলাইগা কোন্ননা ফারে হায়রি। ফারবা জেদ য়ু এফকী কাদর অহুম অদুদি অগুন জে, অদু পামৈ অমদি হায়সুলভ পামৈনি। মখোয়দগী এসোল্ট রাইফল ৫.৫৬ (জর্মন)না শাবা অমা, মেগজিন অনী, ৫.৫৬ এম এমগী কাপ্পা য়ারিবা মরু ২৪৩, ৭.৬২গী এম এমগী মেগজিন অমা, কাপ্পা য়ারিবা মরু অহুম, থাং অমা, য়ু এসনা শাবা কম্বেট দ্রেস অমা য়াওনা ফংলে হায়রি।

## মহৈরোয়শিংদা পুলিসনা খূৎ থাবা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে



ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রো. অদ্য প্রসাদ পান্দে মফম লৌথোকউ হায়না মুসু, মুটা, মুসানা চঙশিল্লিবা খোঙজং শৌগৎতুনা অমদি খোঙজং অসিবু শৌগৎলিবা মহৈরোয়শিংদা পুলিসনা খূৎ থাবা য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা দি শিংজুবুং য়ুঠস ওর্গনাইজেসন ক্লব অমসুং খ্বাই শিংজুবুং ৱিমেন ৱেলফেয়র ওর্গনাইজেসননা নাগামপাল শিংজুবুং লৈরক মচিন্দা ঙসি ৱাকৎ মীফম ফমখ্রে।

ৱাকৎ মীফম অদুদা শরুক য়াখিবা দি শীংজুবুং য়ুথ ওর্গনাইজেসন ক্লবকী জেনরেল সেক্রেটরি লাইরিকয়েংবম ভেদিক (বোধে)না পাউমীশিংদা ফোঙদোকখিবদা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রো. এ পি পান্দে মফম লৌথোকউ হায়না খোঙজং চঙশিল্লিবা মহৈরোয়শিংবু পুলিসনা তমথিনা ফুবিবা অসিনা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরকপা ঙম্লোই। লৈঙাক্লা য়ারিবমখে অথুবা মতমদা ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবিয়ু। মহাক্লা হায়, গভর্নর, সী এম মহৈরোয়শিংদা খূৎ থারিবা পুলিসশিংসু মহৈরোয়গী পুন্সি কাল্লগা লাকপা ওইরম্মোই। অদুনা মখোয়না মহৈরোয়শিংদা খূৎ থাদ্রিঙৈদা ৱাখল খলহন্নিংই। মহৈরোয়গী পুন্সি য়াওদনা খুন্নাই অমা শেম্বা য়ারোই। মহৈরোয়শিং শোকহনবদা চেন্নরিবা পুলিসশিং দিসমিস তৌবিয়ু। শোক্লিবা মহৈরোয়শিংদা লৈঙাক্লা মীৎয়েং চঙবিয়ু। মতুংদা মহৈরোয়শিংদা খূৎ থাবগী থবক চত্থবিগনু।

মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ৱাথোক অসিনা মরম ওইরগা স্কুল কোলেজশিংদা মহৈ তম্বা ফংদবদগী মহৈরোয়শিংগী কেরিয়রদা য়াম্না অকাইবা ওইরে। অদুনা অথুবা মতমদা ৱাথোক অসিগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হোৎনবিয়ু হায়নসু মহাক্লা মখা তাখি।

## জেনরেল ষ্ট্রাইক শৌগৎলকখিবা মীয়াম্বু থাগৎলক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী হৌজিক্কী ভাইস চান্সেলর প্রোফেসর এ পি পান্দে মফম লৌথোক্লবা তকশিল্লদুনা চত্থরিবা নুমিৎ নিনিগী জেনরেল ষ্ট্রাইক মপুং ফানা শৌগৎপীবগীদমক মুসু, মুসা অমদি মুটানা মণিপুর মীয়াম অমদি মহৈরোয় খুন্নাইদা থাগৎপা অমদি তৌবিমল খঙবা ফোঙদোরক্লি।

মুসু, মুসা অমসুং মুটানা ঙসি পুন্না থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, প্রোফেসর পান্দেবু মফম লৌথোক্লবা চঙশিল্লিবা খোঙজং অসি হৌজিক্তি মণিপুরগী মীয়ামগী ওইরে। মহৈ-মশিন তম্বা অমদি থবক নীংথিনা তৌবা হায়বসি মণিপুরগী মীয়ামগা তৎন-থানরক্ত্রবনি। মসিমক মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী একাদেমিক হেল্থ অমদি অতৈ সোসল ইনগেজমেন্টশিং মহৌশাগী ফিভমদা হঞ্জিনহন্নবগী পান্দমদা চঙশিল্লিবা ইহৌদা মীয়াম্না হুপ্লা শৌগৎপীরক্লি অসিনা নৌহননা অমুক প্রুভ তৌরে।

দেমোক্রটিক অমসুং ঈনা-চীক্লা চত্থরিবা ইহৌ অসিদা মণিপুর পুলিসকী কাঙবুশিংনা এনিমেল কিংদমগা চান্নগদবা মওংদা প্রোফেস্নেল ট্রেনিং শুংয়াও য়াওদনা থবক তৌবগী থৌওং উৎথোকচখ্রে। অদুনা ঐখোয়না মণিপুর পুলিসকী পার্সনল কাঙবুদা খুদক্তা মখোয়গী অশোইবশিং চুমথোকচনবা হৌজিক হৌজিকমক য়াম্না কন্না ৱাৎপগী মওং উরিবা মীওইবগী লমচৎ শাজৎ তমশিন খঙজিন্নবা অমুক হন্না অপিল তৌরি। প্রফেসর এ পি পান্দেবু মফম লৌথোকপগী ইহৌ হৌজিক্তি মণিপুর মীয়ামগী ওইরবনিনা ইহৌ অসি মণিপুর লৈঙাক অমসুং ইন্দিয়া লৈঙাক্লা মসিমক খঙনা থবক তৌরক্লবা য়ুনিভর্সিটিগী কম্যুনিটিনা দিমান্দ তৌরি।

প্রোফেসর এ পি পান্দেনা অসিগুম্বা তানফম অসিদা য়ুনিভর্সিটিগী ফেকল্টি অমত্তদা চার্জ শীন্নদনা মণিপুরগী ৱাংমদা লৈশিন্দুনা মখা তানা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি এক্ট খোঙ্গাওনবগী থৌওং অসি মণিপুরগী মীয়াম্বু থৌওইদবগী মওংনি হায়রদুনা কন্দেম তৌই হায়নসু চেরোল অসিনা ফোঙদোরক্লি।

## পুলিসকী কা হেনবা থৌওং কন্দেম তৌই : কিমাক্স

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস):
মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রো. অদ্য প্রসাদ পান্দে মফম লৌথোকউ হায়বা দিমান্দ তৌরদুনা মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লকপা খোঙজংশিংদা পুলিসনা চত্থখিবা কা হেনবা থৌওংশিং কন্দেম তৌই হায়না কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সেল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স)না ফোঙদোরক্লি।

কিমাক্সকী পব্লিসিটি এন্দ ইনফোর্মেসন সেক্রেটরি সুরজ থাংজম্না খুৎয়েক পীদুনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভি সী প্রো. অদ্য প্রসাদ পান্দে মফম লৌথোকউ হায়বা খোল্লাও কয়াগা লোয়ননা মণিপুর য়ুনিভর্সিটি ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ন (মুসু), তোঙান তোঙানবা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসনশিং অমদি মহৈরোয় লুপশিংনা খোঙজং কয়া চঙশিল্লবা অসিদা কংলৈ ইন্দিজিনস মার্সেল আর্টস এন্দ কলচরেল সোসাইটি (কিমাক্স)না মপুং ফানা শৌগৎলি। লোয়ননা হীরম অসিগী মতাংদা চঙশিল্লিকপা খোঙজং খুদিংমক্তসু কিমাক্সনা শরুক য়ানবা শেম শারি।

মহৈরোয়শিংনা চঙশিল্লিবা ইহৌ অসিদা পুলিসনা চত্থখিবা কা হেনবা থৌওংদা দেসামগী জেনরেল সেক্রেটরি সিতল ওইনাম য়াওনা মহৈরোয় কয়া অশোক-অপন য়াওরকপদা কিমাক্সনা নুংঙাইতবা ফাওই। অসিগুল্লবা কা হেনবা থৌওং অসিদা চেন্নরিবা পুলিস পার্সনেলশিং মতিক চাবা চৈরাক পীগদবনি। পুলিসনা চত্থখিবা থৌওং অদুসু কিমাক্সনা কন্দেম তৌই। অসিগুম্বা থৌওং অসি মখা তানা থোকহন্দনবা লৈঙাক্লা হোৎনগদবনি।

অমরোমদা, কিমাক্সনা চহী খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাকপা ক্লাস টেন অমসুং ক্লাস টুয়েল্ভ ইগজামদা থাঙ-তাগী ওইনা মার্ক ৱাংনা ফংলকপা মহৈরোয়শিং মনা-মথুম পীবগী থৌরম অদু হৌজিক হৌজিক্কী ওইরিবা লৈবাক্কী ফিভম অমদি কিমাক্সনা থাঙ-তাগী লেকচরর লৌনবগী চঙশিল্লিবা খোঙজং লাক্লিবা জুলাই ২৭ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্লা পাউখুম পীরক্ত্রবদি অকনবা খোঙজং চঙশিন্নবা শেম শারিবনা মরম ওইরগা মতম খরা য়ৈথোক্লগনি হায়না চেরোল অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কোহিমাদা পন্দুনা লৈরম্বা গাড়িশিং ঙসি ইম্ফালদা য়ৌরক্লগনি

ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস):
নাগালেন্দদা নোং কন্না তাবদগী থা অসিগী ৮ গী অয়ুক অঙনবদা নেসনল হায়ৱে নম্বর টু কোহিমাগী হোস্পিটাল মনাক্তা মফম অনীদা চীং নীংখায়বা অমদি লম্বী নমথদুনা পোৎ পুবা ট্রকশিং অমদি পেসেঞ্জর পুবা গাড়িশিং চৎপা য়াদদুনা লমখাংদা পন্দুনা লৈরম্বশিং হয়েং ইম্ফালদা য়ৌরক্লগনি।

নাগালেন্দদগী ফংবা পাউ মতুং ইন্না নাগালেন্দগী পি দব্লিয়ু দিনা ৱার ফুটিংদা চীং নীংখায়খিবা অমদি লম্বী নমথখিবা অদুনা ইস্কাভেটর অমা, রোল্লর অমা, পোক্লেম অমা য়াওনা অয়ুক নুমিদাং খাক্তনা থবক শুরম্বা অদু লোইশিল্লক্লে। কোহিমা মনাক্তা পন্দুনা লৈরম্বা গাড়িশিং ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ইম্ফাললোমদা চৎহনখ্রে।

দিমাপুর অমদি খৎখতিদা লমখাংদা পন্দুনা লৈরম্বা গাড়িশিং ঙসি নুমিদাং পুং ১০ দগী ইম্ফাললোমদা চৎনবা গাড়ি থৌজিনবা হৌখ্রে। অহানবগী ওইনদি গাড়িশিং অদুগী মরক্তা থাউ পুবা ওইল টেঙ্কর অমদি গ্যাস পুবা বুলেটনচিংবা হান্না চঙহনগনি হায়রি।

কোহিমাদা লম্বী নমথখিবা অদুনা মরম ওইরগা নুমিৎ ১২ রোম ইম্ফাল জিরি লম্বী ফাওনবা ঙমদনা লৈরম্বনি। মদুনা মরম ওইগা ইম্ফালদা পোৎ-চৈগী মমল খরা হায়গৎনবা য়াওখ্রে। মরু ওইনা য়েনগী মচিঞ্জাক অসি ফংদবদগী য়েল লোইবশিং অৱাবা কয়া মায়োক্লখ্রে। কে জি অমদা লুপা ৩৪ পীরম্বা লেয়র মাট অসি দুকান অয়াম্বা ষ্টোক লোইনখিবদগী ব্লেক্তগী লৌরগা য়োনবা কাঙবুদি কেজি অমদা লুপা ৪৫ ফাওবা য়ানবা য়াওনখি হায়রি।

বন্দ মনুংদা তোঙান তোঙানবা মফমদা ওইখিবা ফিভম















